হুইয়েন লানপাউ
থাংজ, মার্চ ১২, ২০২২, ইম্ফাল
৪৫শুবা চহী, ৩৪৪শুবা মশীং

## বি জে পিনা এবসোল্যুট মেজোরিটি
### মীয়ামগী অশেংবা মেন্দেটলা

ফেব্রুৱারী ২৮ অমসুং মার্চ ৫দা তাঙ্কক অনী থোক্না পাঙথোকখিবা ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লি মীখলগী রিজল্ট মার্চ ১০দা লাউথোকখ্রে। মীখল লোইনা পাঙথোকখিবা অপূনবা সিট ৬০গী ভোট মশীং থিদুনা মসিগী রিজল্টশিং লাউথোরকপদা চুংশিন্নবা লৈঙাক লুচিংলক্লিবা বি জে পিনা সিট ৩২ ফংদুনা এবসোল্যুট মেজোরিটি ফংলে। কুমজা ২০১৭তা পাঙথোকখিবা ১১শুবা মীখলদুদা বি জে পিনা সিট ২১ খক্তমক ফংখিবনি। এসেমব্লি সেগমেন্ট ২১দগী মীরেপশিং মায় পাকহনবা ঙম্লৱবসু বি জে পিগী ওইনদি মণিপুরগী পোলিটিকেল এরেনাদা পার্টিসিগী অনৌবা পুৱারী অমা শেম্বা ঙমখি। চুংশিন্নবা লৈঙাক্কী লুচিংবা ফাওবা ওইবা ঙমখ্রিবনি। হন্দক্কী মীখলদনা হান্না ফংখিবা মশীংসিদগী অমুক হেনগৎলকপগী মথক্তা লৈঙাক শেম্বা য়াবগী মেজিক নম্বর লানখৎলক্তুনা সিট ৩২গী মপু ওইবা ঙম্লকপনি। মসিগীদমক পার্টিসিগী নেসনল অমসুং ষ্টেটকী লিদরশিংনা অরৈবা পাম্বৈ পুথোক্তুনা হোৎনখি। প্রাইম মিনিষ্টর, হোম মিনিষ্টর অমসুং দিফেন্স মিনিষ্টরশিং য়াওনা য়ুনিয়ন ষ্টেট অমসুং কেবিনেট মিনিষ্টর কয়া ইনশোন কাংদনা লাক্তুনা অকনবা কেম্প্যেন চথখরখি। ভোট থাদনগদবা মতম নকশিল্লকপগী হৌনবা কেম্প্যেনগী মতম লোইশিল্লমদাই ফাওবদা হেলিকোপ্টরনা চীংদা-মান্দা অমসুং খা-ৱাং চেন্দুনা ফাওবা ভোট খোমখি। মরম অসিনা হৌখিবা মীখলদা ২১ খক্তমক কারম্বা বি জে পি অনৌবা সিট ১১ হেনগৎলক্তুনা অপূনবা সিট ৩২গী মপু ওইবা ঙম্লকখি। মসি পূন্নমক পাঙথোকখ্রিবা মীখল অসিগীদমক হোৎনজখ্রিবা পূন্নমক্তুগী মহয়নি। খোঙ চোৎলগা চিন চোৎপা হায়বদুনি। য়াম্না ফবা, মণিপুরগী পোলিটিকেলগী পুৱারীদা সনাগী মুক্না ইদুনা লৈহৌরগদবা তাঙ্ককনি। হোৎনজমনগী মহয়নি। অদুবু বি জে পিগী নেসনল অমসুং ষ্টেট লিদরশিংনা চিন্দোন-লৈতোন্দা ৪০দগীনা ৪৫ ফাওবা কাগনি, বি জে পি খক্তগী পুমশেং-কোন্সেংগী লৈঙাক লিংগনি হায়খিবা খক্কী ৱাফম নত্তনা অউপ্পা উনা ফাওবা লোংথোক্লগা থিবগী ফীভমদা থেংনখিবা মীখল অদুগা ফংলক্লিবা রিজল্ট অসিগদি চান্নরিব্রা? পেন্থোকপা য়াবগী চাং য়ৌরব্রা হায়বনি।

অমরোমদবুদি চান্নবা, চান্নদবা নৎত্রগা পেন্থোকপা-পেন্থোক্তবা কাইনা অমুক তুকা থিরুদ্রগসু ফংলক্লিবা সিট মশীংসি থোইদোক-হেন্দোক্নবুদি ফরবনি। চুম্না ফবখক্তা নত্তে, ওন্থোক্না য়াম্না ফখ্রবনি। মেজোরিটি ওইরিবনি। তৌবতবু অকক্নবা মশীং ৩২ খক্তনা মেজিক নম্বর য়ৌরে হায়দুনা পূক্নিং লূম্বা, নে-তাবা ফীভম অমবুদি ওইদ্রে হায়বগী ৱানি। অমরোমদা মমাঙগী ১১শুবা মীখলদা শুপ্নতগী সিট ৪/৪ খক্তমক ফংখিবা নেসনল পীপলস পার্টি (এন পি পি) অমসুং নাগা পীপলস ফ্রন্ট (এন পি এফ) তি হন্দক্কী মীখলদনা মশীং হেন্না কারকখি। মমাঙগী মীখলদা কারকখিদবা জনতা দল (য়ুনাইটেদ) ফাওবা সিট ৬কী মপু ওইবা ঙম্লকখি। হায়রিবা পার্টি অহুমসিগী মথক্তা কুকি পীপলস এল্লাইএন্স (কে পি এ) ফাওবা সিট ২ ফংলকখি। ইন্দিপেন্দেন্ট মীরেপ ৩সু মায় পাক্লকখি। পার্টিশিং অসিগা ইন্দিপেন্দেন্ট মীরেপশিং অসিগগী মরক্তা বি জে পিগদি মরী লৈনরমদবা য়াই, লৈনরমফমসু থোক্তে। অদুবু এন পি পি, এন পি এফনা হান্নদগী মশীং হেন্না কারক্লিবা করিগীনো? জে দি - য়ু অমসুং কে পি এসু কারকফম থোকপ্রা? ইন্দিপেন্দেন্ট মীরেপ্না হন্দক অহুম শুনা কারক্লিবনা করিগীনো? ৱাহংশিং অসিগী পাউখুমবুদি বি জে পি খক্তনা পীরকপদবুদি মপূং ফাবা পাউখুমদি ওইরোই। অমরোমদবুদি এন পি পি, এন পি এফ, জে দি -য়ু, কে পি এ অমদি ইন্দিপেন্দেন্ট মীরেপশিংসিসু শোয়দনা মায় পাক্কনি হায়দুনা চোঙথোক্নরক্লিবনি। মখোয়বুসু হন্থনা য়েংলুবা চুন্লোই, য়েংফমসু থোক্তে। অদুবু মীরেপ খ্বাইদগী য়াম্না থাদোক্তুনা লম্বা তৌনখিবা বি জে পি অমসুং কোংগ্রেসনা হায়রিবা পার্টি ৪ অমসুং ইন্দিপেন্দেন্ট মীরেপশিংদা য়ামখ্রবা সিটশিং অসি মখোয়গী খুরক্তগী লিংথহনখ্রিবা করিগীনো হায়বগী ৱানি। মসি থোকহল্লমদ্রগদি বি জে পিনা সিট ৪০দগী ৪৫ ফাওবা কাগনি হায়বদু কারমগনি। কোংগ্রেসনা সিঙ্গল লার্জেষ্ট পার্টি ওইগনি হায়বদুসু ওইথোক্লম্বা য়ারম্মী। হৌজিকপুদি পূন্নমক হৌখ্রে অদুবু ওইরক্লিবা ফীভম, পার্টি-পার্টিগী ওইনা লৈরিবা ফিগরসিদদি নৈনদনা নাথৈদুনা থম্লম্বদি চুন্লোই খল্লি। মতাংসিদি বি জে পি, কোংগ্রেস খক্তগী ৱাফম নত্তনা ইন্দিপেন্দেন্ট মীরেপ অহুমসু য়াওনা মায় পাক্লবা পার্টি পূন্নমক্লসু নৈনগদবনি, খন্নহৌবা চুমগনি। অদুম্মাইনা নৈনদনা, খন্নদনা নোমিনেসন ফাইল তৌরমদাই খক্তদা পার্টি অমদা হেক্তা চোঙশিল্লগা লেপকনি হায়দুনা লেপ্লুবা লোংনা তানবা ময়াম য়াওবা উনরবনি। অদুগা বি জে পিনা এবসোল্যুট মেজোরিটি ফংলক্লিবা অসিসু মীয়ামগী অশেংবা মেন্দেটলা হায়বদুসু থিদোক্কদবনি।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৩৭

১) অহানবা ওইনা কুমজা ১৯৬০দা ফোঙবা ***“অমাইবা”*** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো?

২) **“অমেরিকাগী ঈশৈ”** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

৩) **“মণিপুরদা ঐগী চহী অহুম”** হায়বা লাইরিক অসি ওরিজিনেলদা কনানা ইবা লাইরিক্তগী কনানা মণিপুরীদা হন্দোকপনো?


৪) ***“ৱারী শীংবূল্লক্তগী”*** হায়বা অঙাংগী ওইবা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো?

৫) ***“লৈকংলা”*** হায়বসিগী অইবসি কনানো অমদি করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম মার্চ ১৫, লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি।
লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# লিশীং চৎপী
## (অহল ওইরবশিং অমদি মচা মশুশিংদা কৎথোকচবা ৱারীমচা)

**ৱাইরু-ৱাইরুবদা**



মতমদু কুমজা লিশীং অনী তরাতরুক্কী লমতা থাদনি। মপোক্না ঙৌরবা তোম্বনা লৈকায়গী ইমুং অমগী অরিবা হৈক্রেং পাম্বী অমা মসা থারুই। থবক অদুগীদমক মহাক লুপা লিশীং চৎপী অমা ফংখি। লিশীং চৎপী চৎনরিঙৈগী মতমনি। লিশীং চৎপী অদু উবদা মহক মথন্তা নোকফেৎ নোকফেৎ তৌজখি। মহাক্কী পুন্সিদা লিশীং চৎপী মখূৎনা পায়বা ফংজবা অহানবনি। তোম্বনা মদুবু য়াম্না মমল লৈনা লৌজৈ। লিশীং চৎপী মহাক্না মমাঙদা মীনা পায়বদা উববুদি খরা উখ্রবনি। মাগী নুপী কবোক্লৈদসু মদু য়েংহনগে হায়দুনা লম্বীদা মদু করিমত্তা কায়থোক্তবমখৈ ময়ূমদা পুরকখি।

অমরোমদা শেল ফংজরবসু কবোক্লৈনদি মাবু অহল ওইরে, উ কারুরনু য়াম্না হায়বনি। মমাঙ মমাঙদা তোম্বা উ কাদুনা উসা শান্নবদা খূৎ পায়বদা কাউদুনা উথক্তগী ওন্থরক্তুনা ফীভম থীনা শোক্তুনা হোস্পিটাল য়ৌবা য়াওখ্রে। নোংমসু তোম্বনা নুংদাং অমা চাক থোংখৈ থোংলম্লগা কাংহৌ ঙৌনবা থাউ লৈরমদ্রে হায়না দুকান্দা থাউ লৈবা চৎখ্রগা নোং ঙাল্লগা য়ু ঙাওরগা ওইনা হল্লকপা অমসু লৈখ্রে।

লিশীং চৎপী ফংলকপা নুমিৎতুদা তোম্বনা ময়ূমদা নুমিদাংৱাইরমদুদা তহা তহাবা খোঙথাংদা ময়ূম য়ৌরকই অদুবু মাগী নুপী কবোক্লৈদি হীদাক লাংথক য়োনবা নুপা নুপী খরা লাক্তুনা মীটিং তৌরিবদুদা য়াওবা চৎখি, য়ূমদা লৈতে হায়দুনা মচানুপীনা তম্মে। ঙাইহাক লৈরগা মীটিং মফমদগী কবোক্লৈনা য়ূমদা হল্লক্লগা লিশীং চৎপী অদু উৎলগে হায়দুনা তোম্বনা মদু চেৎনা থমজিল্লমই। কবোক্লৈসু অঙাং ওইনা য়ুম পাল্লকপনা মপোকঙৈগী ওইনা চাম্মা চৎপী, য়াঙ্খৈ চৎপীগুম্বা, তরা চৎপীগুম্বা খরা নত্তনা লিশীং চৎপীকাইদুদি মপুন্সিদা অমুক্তবু উবা ফংদ্রি। কবোক্লৈনা মদু উজরদি মানা তৌগদবা ফীভমদু অঙকপা অমা ওইদৌরিবনি। মদুতবু তোম্বনা য়েংজনীংলিবনি। শেল পায়বা মীশিংনদি ঙাইহাক লৈতনা উবা পোৎনি, করিসু নত্তে মসি।

তোম্বনা নুমিদাং চাকচা তোক্লবা মতুংদা ওইনা লিশীং চৎপীদু নীংশিংলক্তুনা কবোক্লৈদা য়েংহনগে হায়না তৌবদদি লিশীং চৎপীদু কনাগুম্বা অমনা লোৎশিনখিবদৌনা থিবা অদুম ফংখিদ্রে। খোয়দৌ শাউগৎপা অমা য়াওনা নোংঙাল্লমদাইগী য়েনখোং হেক তারকপদু ফাওবা তোম্বনা মদু থিরগে হায়বা অমা য়াওনা হকাম ৱা ৱা চল্লদুনা থিরে অদুবু লিশীং চৎপীদুনা ঙমদুনা অদুম কেকু ফোঙবা ঙমখিদ্রে। নোং ঙাল্লগা তোম্বনে মাগী নুপীনে মচাশিংনে চঙদনা অমুক চরা হেল্লগা থিবসি থিবসি নুংথিল পুং ২.৩০ হেক তাবা ফাওবা থিবদা খোয়দৌ শাউগৎলগা তোক্নরে।

চহীদুমক্কী (কুমজা লিশীং অনী তরাতরুক্কী) পোইনু থাগী হায়বদি দিসেম্বর থাগী তাং মঙাগী নুংথিল পোবোপ্তনি। তোম্বা দশা পাঙদে কাউগল্লি, পাঞ্জিদা কুঠি অমুক্তদি য়েংহনগে হায়দুনা মাগী লুখুমদা য়ান্দুনা থম্বা পাইতু খাউ অঙাংবা অমনবদুগী মনুংদা মহৌশা মানা হাপ্লগা থম্বা মাগী কুঠি অদু লৌথোক্কে হায়দুনা থিরুবদা (ফাক্লুবদা) মাঙখ্রবা লিশীং চৎপী অদু অমুক থেংনরে।

তোম্বনা খঙহৌদনা লাউরকই,

“কবোক্লৈ, কবোক্লৈ নঙ কদাইদা লৈ? ঐগী নহানখৈ মাঙখিবা লুপা লিশীং চৎপীদু লৈরম্লেনেহৈ অমুক্তা য়েংলুরাউনে নঙবো, তু তু!”

“হো বাবা, ইমাদি সেল্ফ-হেল্প গ্রুপকী মীটিং য়াওবা চৎখিয়ে, হোরেল ইমা হল্লক্লগা য়েংমিন্নরো।”

“ইহে... অদুদি ইচাতোম্বী। হায় ঐ অমুক মসি চেকশিন্না থম্লগে।”

কবোক্লৈদু মীটিং মফমদগী মল্লি মল্লিবদা ফেৎ ফেৎ হল্লক্লে। মচানুপীনা লিশীং চৎপী ফংবগী ৱাদু মমাদা তম্লুবদা লিশীং চৎপীদু কদাইনোনে ঐসু মদু উনীংঙিনে, ঐদি মদু অমুক্তবু উজ লাকচদ্রিনে হায়না কবোক্লৈনা তোম্বদা হায়ররে। তোম্বনা অদুদি চাকশঙদা নমা নচা লৈরম্মো ঐ মদু লৌরুগে হায়রম্মগা মাগী কাদা চৎখ্রে।

তোম্বদি মাগী কাদা চঙখ্রগা অদুম শুংথোক হেক থোরক্ত্রে। নুংশা থীনরক্তুনা মাগী নুপীগা মচানুপীগনা কাদা চঙশিন্দুনা য়েংমিন্নরুবদদি, ইমাই, তোম্বদু মাগী লিশীং চৎপীদু থিবা ফংদ্রদুনা মকোক্তু শঙবায়মুক চাউনা কাগাদু পূমচাই চাইরদুনা লৈরম্মে। তোম্বদু মকোক হোৎলগা ফমুংদা খোঙ য়াম্থদুনা ফম্মী, অদুদগী অমুক ঐগী কোকসে য়াদ্রে হায়না লাউ খোংলদুনা মকোক অদুদসদু মশা মতোমতনা কিন্না লৈজবী থা থাদুনা হঞ্জিন হঞ্জিন থিঞ্জিনজবদু মাগী নুপীগা মচানুপীগনা মখূৎ পায়রগা খাল্লম্মী। নুমিৎতুমসু মদুগী লিশীং চৎপী লাম্নৈ থানবীদু অদুম কুফেৎ কাফেৎ তৌরম্লগা থিবা ফংখিদ্রে। কবোক্লৈনা তপ্না তোম্বগী ৱারবা মতৌদু উরগা থেমজিল্লদুনা হায়রকই,

‘মখোয়’ বাবা মদুগীদমক ৱারুরগনু নোংমা অদুম থোকচরক্কনি।”

******

কুমজা লিশীং অনী তরাতরুক্কী দিসেম্বরগী তাং তরাতরুক্তা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা লিশীং চৎপী, চামঙা চৎপী চৎনররোই লিশীং চৎপী অমদি চামঙা চৎপী অথুবা মতমদা বেঙ্কতা ওন্থোকপীহৌ হায়না রেদিও, টেলিভিজন অমদি পাউচেনচিংবদা লাউথোকপা তানরে, খঙনরে।

তোম্বনা নুমিৎতুসু লিশীং চৎপী অদু অমুক নৌহৌননা কাঙ্খদা ৱাই-নুং শীৎতুনা নীংঙমদবা অমা য়াওনা থিবা য়াবা থিরে। লৈজবা উপু মখৈ হাংদুনা ওত্তুনা ফি কন কন্দুনা থিরে। কেকু লোৎখ্রে ফোঙবা ঙমদনা অসুম।

******

কুমজা লিশীং অনী কুন্নিথোইগী মার্চকী তাং কুনতরেৎকী অয়ূক অঙনবদা শুমাং ৱাই শীৎনা শীৎনা তোম্বনা মাগী কুইনা লীৎলুদ্রগা নুমিৎতুদা লীৎলুবা লূখাঙ ফূরীৎকী ফূরীৎখাউদু চুম্না হুম্লুবদা চেজেৎ অমা ফূরীৎখাউদা য়াওই করিনো হায়না য়েংলুবদা ... মাগী লিশীং চৎপীদু ওইরম্লে। তোম্বা মপি তপ্না তপ্না শীন্থরকই। হীক হীক কপ্লকই। কবোক্লৈবু কৌরকই। খুইরবা মখজাইগী অকূৎপশিংদা লুরবা পিগী ঈরমশিং চেল্লি। মানা কপ্লিবদু লিশীং চৎপী অদুগী নত্তে খঙজৈ, মাগী লাকঙম ফাঙমদনা কাউগল্লবা অহল ওইরক্লবা পুন্সিগীনি।

“কবোক্লৈ, নঙ অমুক্তা ঐগী নাক্তা লাউ।”

কবোক্লৈ তোম্বগী নাক্তা তপ্না চঙশিল্লকই।

“করি লৈরবগে?”

“সে সিনি নঙগী লিশীং চৎপী হায়বদো।”

লিশীং চৎপী অদু পায়রদুনা কবোক্লৈনা হায়রকই,

“ওহ অসি ওইরে। অদুদি ইচাতোম্বীগী য়াওশঙগী ফিরোল খরা লৈরুরসিরা?”

“ওহ মতম অসিদদি নঙগী লিশীং চৎপীসে মমল য়াওদবা চেজেৎ অমা ওইরে। ওন্থোকপা য়াররোই।”

‘মখোয়’ বাবা নহাক য়াম্না কাউগল্লে, ঙসিদি ডাক্তরদা অমুক্তা চৎলুরসি।” ●

# য়ানীংদবগী য়ানীংদবা ঙাক্তা

**নবকুমার ওইনা**

ময়াম্না ঙাঙনরিবসি তারুরগা কনা থাজবদগী ভোট থাদগদবা হায়বদুমা খঙবা ঙম্বা নৎত্রে। মাগী মাগী ৱাদু চুম্লবোইতা খলহল্লি, য়াদবা কাঙবুনা ঙাঙবদু তারগা লাল্লবোই খনবসু য়াওরিবনি। মখোয়গী ৱাদু তারগা ইশাগী ওইনা খনবদদি শুকয়া য়ানীংলক্তবা হায়বা তারে। ঐগীসি য়ানীংদে হায়দুসু য়ানীংদে, য়ানীংদবগী হায়রদি মীনা লাই নীংই হায়সিফাও য়ানীংদ্রবনি, লাইনি হায়দুফাও য়ানীংদে।

মসিবু ভোট হায়বসিনা থোকহনবনি হায়গদৌরিব্রা? য়ানীংদেদা, ভোটতা থাজনদ্রিবা অসিফাওবা করিনো অমনা থোকহনবা মাল্লি। কনা অমনদি চাওখত্তবগীনি হায়বসু লৈ, মদুসু য়ানীংদে। চাওখৎপা হায়দু করিনোসু খঙদনা, ফুরা-দলান্না হেক্তা চাওখৎপা য়াবসু নত্তনা। করিদনো অমা ৱাৎপদৌনা ইয়া য়ানীংবা পোক্ত্রিনে। মসিগী লায়না অসি লায়েংবদা কোকপা ঙমগদ্রা হায়বা খঙই হায়বা ফাওবা য়ানীংদ্রি। করিগুম্বা ৱাফম অমা চুম্মী-লাল্লি হায়নবা অদু ফাওবসু য়ানীংলক্ত্রবনি। ৱারী শানবগী কাঙলোন্দু চুম্লক্তবা হায়তারে, কাঙলোন চুমদনা চবেং-চবেং ঙাঙনববু ৱারী শানবনি হায়বা য়াব্রদো?

ঐবু লাইদু ওইরো হায়বা ফাওবা য়ানীংদে, হায়দি ঐনা হায়বদু ময়াম্না য়ারোই, ইল্লোয়। লাইনা হায়বশিং মীনা ইনবা ঙম্নদে, অদুগা লাই নীংনরিবনি। ঐবু লাইদৌনা থবক শুগনু, মনমতনা পুকশু থল্লগা লৈয়ু হায়দুবু কমদৌনা য়াদৌরিবনো? ঐনা য়ানীংদ্রবনিনা ময়াম্নদি ঐবু কমদৌনা য়াদৌরিবা? য়াবসু য়ানীংদে, য়ানীংদ্রসুনি য়ানীংদে হায়রিসে। অদুদনি লাই অমা তোংবদৌনা তৌই হায়রিসে। মন্ত্রি ওইবদি লায়রদনা লাইদুফাও ওইনীংদে, মিনিষ্টর ওইয়ু হায়বফাও য়ানীংদে হায়বনি, শেল পায়দে হায়বা। শেলনা শেল লল্লোনবা হৈতে, মী লল্লোনবা, লৈবাক লল্লোনবা হৈতে হায়বা ৱানি, হৈগেসু খল্লুদে। লাই ওইবদগী মন্ত্রি ওইবনা ফৈদা, লাইনবু অতোনবী থিনবরাও।

মীওইবনা মালেমদা অসুক কুইনা লৈরকপসিদা খ্বাইদগী য়ানীংদবা অমা হায়বা তারবদি মী ওইনা পোকপা অমদা লাইনি, মহাক্না তাইবঙ মালেমসি শেম্বনি হায়বসিনি। মসিদি অচৌবা অশোয়বা অমনি। অশোয়বা অমদগী শমথরকপদুনা অশোয়বা পরেং অমা চথদুনা লৈরিবনি। মীওই কয়া অমগী মতম মাঙহনবতা নত্তনা পুন্সি মাঙনরিবনি। মাগী মাগী কাঙলূপকী লাইগী থাক্তগী হেন্দোক্তুনা মী খরা য়াম্বা লাইনীংদা অমুক য়াওশিন্দুনা লাই শিন্দোক-শিঞ্জিন তৌবসু য়াওরক্লিবনি। লাইনীংদগী হেন্দোক্তুনা কাঙলূপ চোঙথোক চোঙশিন তৌবগী চৎনবী অমা ওইরবনি। মাগী মাগী কাঙলূপকী লুচিংবনি হায়বশিংদা য়ানীংদবদু ফোংনবু ঙাঙবা ঙম্নরক্লবনি। অদু ফাওবদা মৈতৈগী মনুংদা মণিপুরীসি লূপ অমা শাগৎপগুম তৌরিবনি, মীতৈ হায়ববু য়াওরিবনি। মসিমক্তি নেচর ওফ মেচুয়রিটি ওইদ্রি হায়রিবনি। চরক চহিং নাইবা থাক অমদা কুমথবা অসিবু কনানা য়ানীংই হায়গদৌরিবনো? চুম্মী লাল্লি হায়বদু নত্তে কৈনো অমা খঙদবগী ওইগদৌরিবনি। মশানা মশামক খঙদবা ওইরবদি য়ানীংদে হায়নরক্কনি, হেক্তা হায়জিল্লগা থাজরে হায়বসু য়ানরোই। ঐগী ঐগী চাকখুমখক্তা উবগী ৱাদু তৌবীরনু হায়বা লাক্কনি। খা-ৱাং, নোংপোক-নোংচুপসু খরা য়েংনসি হায়বদি য়ানদবা পঙয়াও য়াওনরোইদা। সনা-কোন্সেংতা শাবগী ৱাদু খরা থাদোক্নসিদা।

ৱা ঙাঙবা ফাওবা নীংতম্না ঙাঙবা য়ানরক্ত্রিবনি, থবক্তি শুনদে, ঐখোয়দা ৱাৎলিবসি শেলদু নত্তে, শেল লাক্নবা লম্বীসু খঙদবনি, লৌশিং ৱাৎপা হায়বদি লৌশিনবা হৈতবা হায়বনি, শেল ওইবা য়াই লৌশিংদুমক ওইবসু য়াই। শেলদি পাম্মী, য়ু য়োনবদি য়াদে হায়, থকপদি তোক্নদে, য়োনবা য়াদে হায় অদুম ফানরিবনি। য়োনবশিংনা শেল অদুম পায়বা য়াদে হায়বশিংনা অদুম পায়দবা। শেলদি পায়দনা চবেং-চবেং ঙাঙনবা ওইরবদি য়ানীংলক্তবা হায় তারে। য়ুগী লানসি নুপী লাল মাল্লকপদুনি, নুপী ফাওবা থক্কৎলকইবনি। নুপীনা নুপী য়াদবসি য়ুগী লান, মরূ কোক্লবা অনীসিদা ঙাইশিল্লক্লবনি। লাল হৌই হায়বকাক্তুদি য়াবু য়ানীংদ্রে, খুদাং পায়রকপা কন্থৎপা, ইঙ্খোলদা ষণ চঙবা তান্থোকপা ঙমজদ্রগা লান ওইনা লৌবসি লাল্লি, মীনা হায়বসু থাজফম থোক্তে, য়াওল ঈহৌককা হায়জিল্লি। ইমুংদা মোংবা চঙবা, কাংখদা লিন কুনবা হায়বসিমক্তবু পাক হেক তান্থোকপদি চত্তেদনা। ষণশেন্নহানা নিংথৌ শাগৎলক্লগা লৌ মপুনা করি হায়গনি খঙলক্ত্রবনি। থবক শুবদি হৈতনা লৌপু শারগা লৈবসিনি য়ানীংলক্ত্রিসে। কম্যুনিষ্টনা য়াবা নত্তে, লাওজবতনি। মিনিষ্টরশিংনা লৈবাক ঙাক্লবা থম্বা নোংমৈদু লৈবাক্তুগী মনুংদা মখোয়বু ঙাক্লবা শীজিন্নরিনে। মখোয়বু য়াদে হায়বসিসু খঙলিনে। হৌজিক্তি মসি কলচর ওইরবনি, য়ানীংদবদি লায়রদনা নোক্লিংলকপা য়াওরবনি, ওনশিল্লগা কাপশিনবা য়াওখ্রবনি। মসিবু মীয়ামসি শীংবা হেনগৎলকপগী ওইগদৌরিব্রা, য়ানদবদু হেনগৎলকপগী ওইদৌরিব্রা? অনীমক অমত্তা নত্তে, ৱা খন্নবা শোয়খিবগীনি। ৱা য়াওদনা খূৎনা হান্না লাম্নরবা খূৎ অদুম থোক্লদৌরবনি, খূৎ য়াওনবসিসু কলচর ওইরবনি। ৱাদি কলচর অমদি শান্নবনা লমদমসিগী শক তাকই হায়বা। মুৎপসু অনীসিদা মুৎলিবনি। জগোয় য়েংলিঙৈদা ৱাখল খন্থদ্রে, শান্নরিঙৈদা লৌ উদ্রে। ফাওরিবদি লিশীংদা অমখক্তনি, মুত্তদি, মুৎপু মুৎমন্দে। মশানা মশাদা মুৎনবগী শাজত্তু কলচর ওইনা য়াওরে, খেত্তোকপদি ঙমদ্রে হায়বনি। য়ানীংদ্রিবসি হায়বদু খক্তবু নৎত্রি থবক ওইনদুম চথদুনা লৈবসিসুনি। হায়দা হায়রগসু উবগা হেক্তা হৈবনি হায়, থবক্তি শুনীংদে, হৈসু হৈতে। অদুদনি খোয়দৌসি শৌগৎলক্তুনা প্রি মজ’রগী ৱা ঙাঙলনু প্রি বৃটিশকী ৱাদু ওইনা খন্নসি হায়রক্লিবসে। ঐখোয়গী ৱারীসি মকোক্তগী শুকহৌ হৌদে, খাংতপ্তুগী হেক্তা হৌখি। য়ানীংদ্রিবসি আ মকোক্তগীনি, লাইগী মমিদগী মী শাখিবনি হায়বসি লানবদগী অদুম হৌনা লাল্লক্লবনি, চুমথোক্নরিবসি তাবা হৈবা নত্তে।

হৌজিক ফাওবা ঐখোয় ইশানা ইশাগী প্রোব্লেমসি করিনো হায়বসি খঙনদ্রিবা মাল্লিবনি। লৈঙাক্কী ৱাথোক্তু নত্তে, লাইনীংগী ৱাদু নত্তে, শেল-থুম লনগী ৱাদু নত্তে, পূন্নমকসিবু পরেং ওইনা লেংলিবসি তৎলিবা লংলাদুনি, দুকানদা য়োনবা লংসু নত্তে। মোনার্কিজমদি ৱাই চাইরে, মমিং মুৎখিবদি কুইরবনি, ফিলিংদুনি ফ্রিং-ফ্রিং কাউরগা হিংহৌরিবসি, খরনদি তুক্কচবা ফাওনরবনি। মদুমকসু মোনার্কিজমদা ফোঙদোক্নরিবনি, নুংঙাইত্রদো। পুনবা-পুনবা হায়গনি, হৌজিক ফাওবা পুনখিবা লৈখিদ্রি, খোমজিনবা ওইরিনি। অদুসুনি শুপ্পায় পায়শিনবনি পুনবা নত্তে। কনফ্লিক্ট হায়বসু লৈনরিবনি, মপান্দগী চঙলকপা ইনফ্লুয়েন্স নত্তে, মনুংগী মনুংদা শুজা কাখ্রবনি। হৌজিক ফাওবদি মীয়ামসি কনানা থৌগল তৌগনি খঙনদ্রিবা ৱাদুনি। লমদমসি ঈংনা চিক্না লৈনবা হোৎনবা হায়বসি লোইবা নাইরোইদৌরিব্রা, অসুক কুইবসি মাগী মাগী কাঙলূপকী মী মশীং ফাওবা খঙনরমদবা য়াওরিবনি। কয়াদা নাপল কারগা মুকখায়দুনা লৈনরম্মীবনো? মিৎয়েং অদুনা কোয়না উবসু নত্তে, হৌজিক্তি উখ্রুলদগী য়েংলকপা মতমদা লমকানা করি হায়রে, মাওদগী য়েংলকপদা মোরেনা করি খুন্লে খঙনরে। ময়ামদগী ঙাঙবদা সোসল স্পেস অমা থম্বদু ঙসি ফাওবা মুত্তরি। চীংদা কাবদি লায়বু লায়রি, বামোনগা মৈতৈগা, পাঙলগা মৈতৈগা খায়দোক্লিবসি মৈতৈ নুপী মরক্তনি, নুপীশিংনা মপু মবেন খঙলক্তবনি। মদুগী মতৌনি ওর্গেনাইজেসনশিংসু পূনবা হৈত্রিবনি। মৈতৈসি পূন্না য়েংবা য়ারোইদবা অদুবুদি তাঙ্খুলনা খঙলকপদা ঙাইরিবনি, কবুইনা য়ু থোংলগা মৈতৈনা শা চাবদু মখূৎ চাদে হায়রিবনি। ঙসি ফাওবা মৈতৈনা মৈতৈ খরা ইন্থোকপা য়াওনরিবনি, মৈতৈশিংদা পূন্না শাওশিনবা লাল্লিবনি।

মীয়াম মরক্তা কেস ওইনা পায়খৎপা য়াদবা ৱাথোক ময়াম লৈরিবনি। জজশিংনা লো খঙবা ৱাৎপা নৎত্রগা উকিলশিংনা হৈবা-হৈতবগা মরী লৈনবা নত্তে। ৱাখল্লোন অমনা মীয়াম মরক্তা মোরেল ইমাজিনেসন অদুমক শোন্থরকপনি। করি তৌগদগে হায়বদু লৈঙাক্না পুথোকপা ঙমদবসু য়াই, খঙদবসু য়াই, ঙাইঙমদবদি য়ারোই। খঙনদ্রিবদি করি করিবু চথরিবগে হায়বসিসু অমনি, ভোট তৌরগা লৈঙাক অমা চথরি হায়বসিনা য়াগদৌবা মাল্লক্তে, য়ানীংলক্তে হায়বনি। ময়ামসি ঙাইবা য়াবা শক-মায় য়েংলগা ঙায়নরক্লবনি হায়রগনি। চক কয়াগী তুংদা লাক্কদৌবা তাইবঙগী অকক্লবা শক্তম অমগী মঙ মঙলিবনি হায়বসি কদায় ফাওবা ময়েক শেংলবগে হায়বদা কনানা পাউখুম পীনবা শেম শাবা লৈরবগে? ককচেংনা ৱারী শানবগুম মখোল থোক্লুদ্রগা য়ারদরা? পংয়েৎ য়েৎনরগা মুখবা ঙাইনগদৌরিব্রা? শীংজংনা কক্লখ্রে, নোংমৈ কয়ারক কাপ্লখ্রে, মৈনা কয়ারক থানখ্রে । করি খঙলবগে হায়বা হংনরুরগা থবক হৌরব্রা? মশাগীতা খনবা মানবা লুচিংবা খরনা কাঙলূপশিংগী পুন্সি অমদি মতম কয়া য়াম্না মাঙহনখ্রে, কাঙলূপকী ৱাখলদগী হেন্দোকপা ঙম্নখিদ্রে। মৈতৈসু মীতোপ পুশিল্লি, কুকিসু মীনৌ পুশিল্লি, পাঙলসু মীনৌ পুশিল্লি, তাঙ্খুলদি মীনৌ পুশিন্দে। লাইগী মমিংদা ফুরুপশিং মচা মচা খায়দোকপদা মৈতৈসু অমনি, খঙলকপতবু ঙায়রিবনি। মৈতৈনা মুখরকপদদি তাঙ্খুলনা কনফম থোক্লিবনি।

লমদমসি শাগৎপদা লাই কয়ারক শীজিন্নরে, ফুরুপ শেম্বদা লাই শীজিন্নরে, লৈঙাক্কী শেল খোমগৎপদা লাই শীজিন্নরি। হৌজিক ফুরুপ শেমগৎনবদা লৈঙাক শীজিন্ননবা হোৎনরি। ঙাঙনরিবশিং থবক ওইনা চথরক্লিবা মরক অসিদা লমদম অসি মুখুৎনবা কনানা শিল্লিবনো হায়বা অদুমক্তি মীয়াম্না খঙনবা নৎত্রি। খঙদবসু য়ানীংদে মুখুৎপসু য়ানীংদে। ●